হুইয়েন লানপাউ

য়ুমশকৈশা, ওক্টোবর ২৬, ২০১৬, ইম্ফাল

৪০ শুবা চহী, ২০৬ শুবা মশীং

# শঙ্গারমদনা সী এম হল্লকপা

## *সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী অচৌবা মায়থিবনি*

***চীফ*** মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা লূচিংবা লৈঙাক অসিগী অৱাংবা থাক্কী মীহুৎ কাঙবু অমনা হন্দক্তা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মফম খরদা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং মীয়াম্না শীন্ননবা চৎখি। খোঙচৎ অদুগী মমাঙদা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অদু শাবা লোইদ্রিঙৈদা শঙ্গাবা য়ারোই হায়দুনা তাঙ্খুল নাগালোংনা য়াম্না কন্না হায়রকপা লৈখি। নম্ফু-হাফুদা শঙ্গানবা চঙলল্লবদি মদুদা খুদোংথিবা থোক্কদবশিংগী তেকচাক পুন্সা মশা মশানা পুজগদবনি হায়নসু ৱার্নিং তৌরকখি। চীফ মিনিষ্টরগী টিম্না মফম অদুদা চৎকনি হায়না ৱারেপ লৌখিবা মতুং ইন্না টিম অসি লাক্ত্রিঙৈগী মাঙজৌননা তাঙ্খুল নাগালোংগী কাঙবুনা পব্লিক কর্ফিয়ু লাউথোকখি। অমরোমদা, চীফ মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অসি অশোয়-অঙাম থোকহন্দনবা চীফ মিনিষ্টর মশামক্না চ্যের লৌদুনা সিক্যুরিটিগী অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা ৫৭-মাউন্টেন দিভিজনগী জি ও সী, আই জি এ আর (সাউথ) মশামক অমসুং মণিপুর পুলিসকী মকোক থোংবা লূচিংবশিংসু শরুক য়াখি। শঙ্গাবা চৎকদৌরিবা খোঙচৎ অদুগী মাঙওইননা খোঙচৎ অদুবু থিংনবা এন এস সী এন (আই-এম)গী কাদর কয়ামরুম লৈরে হায়বা ইন্টলিজেন্সকী পাউসু ফংবা ঙমখি। অসিগুম্বা তানফম অসিদা চীফ মিনিষ্টরনা চৎশিনবা হায়বসি চুমদবা থৌওং অমনি হায়বসিমদি কক্লিংঙাই ওইদে। মদুগী মহুত্তা শঙ্গাবগী থৌরমদু য়ৈথোক্লম্বনা হেন্না ফরম্বনি। ফিল্ডদা থবক তৌরিবা পুলিস ওফিসরশিং, লান্মীশিংনা মণিপুর লৈঙাক্তা করম্বা রিপোর্ট পীখৎলকপা লৈবগে হায়বদু নৈনবা চুমগনি। ইস্যু অসি অরাইবা অমা নত্তে। ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টরনা লূচিংবা টিমদা নোংমৈ কাপশিল্লকপা হায়বসি মণিপুরী খুন্নাইদা এটেক তৌবনি হায়না দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙমনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু অচুম্বনি। হীরম অসিগী মতাংদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট, মরুওইনা প্রাইম মিনিষ্টর মশামক্না থৌদোক অদু কন্দেম তৌবা ৱাফম ত্বিটরদা থাগৎলক্তবা হায়বসি মণিপুরী খুন্নাইবু করিসু লৈতনা খনবগী খুদম অমরা হায়না ফাওবা ৱাহং হংনরকই।

চীফ মিনিষ্টরনা তোংবা হেলিকোপ্টর অদু উখ্রুলগী বক্সি গ্রাউন্দদা তারবা তুংদা উখ্রুল খুঞ্জাওদা ৩৩/১১ পৱার সব-ষ্টেসন অমা, হুন্দুংদা ৩২/১১ পৱার সব-ষ্টেসন অমা, ফম্মুং ৫০ লৈগদবা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অমসুং বি দি ও/এস দি ওগী ওফিসশিং শঙ্গানবা গাড়ী তোংলগা মফমশিং অদুদা চৎকদবনি। অদুবু মফম অদুগী নুপী-অঙাংশিং য়াওনা মশীং য়াল্লবা মীয়াম্না লম্বীদা টয়ার মৈ থাবা, নুঙ পৈশিন্দুনা লম্বী থিংবনচিংবা প্রোটেষ্টশিং চঙ্খরকখি। নুমিৎ অদুগী নোংমা ৱাৎলিঙৈদা লেথোদ বোম অনী কাপশিল্লক্তুনা এটেক তৌরকপদা আই আর বিগী পার্সনেল অমসু শোকপা লৈখি। মতাং অসিদা নৈনবা য়াবা ৱাফমদি চীফ মিনিষ্টর অমগী খোঙচৎতা অথিংবা পীরিবশিং অদু মফম অদুদা মথৌ তৌরিবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা নীংথিনা কন্ট্রোল তৌবা ঙমখিদবা হায়বসি সিক্যুরিটিগী অচৌবা অহোবা অমনি। মীওই লীশিং অমফাওবা ফাদবা কাঙবু অদুনা চঙ্খিবা প্রোটেষ্ট অদু লাকশিন্নবা পুলিসনা হোৎনখিবগী খুদম ফংখিদে। পূম্নমক অসিগী মথক্তা চীফ মিনিষ্টরগী টিমদা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবা থৌদোক অদুসু মায়োক্নবা হোৎনখিদে অমসুং মাঙজৌননা থিংনবা থবক থৌরমসু লৌখৎখিদে। অসাম রাইফলসকী পার্সনেলশিংনা এরিয়া দোমিনেসন তৌফম থোকপদু তৌখিদ্রা, মফম অদুদা অৱাংবা থাক্কী পুলিস ওফিসর কনা কনা লৈখি হায়বনচিংবা য়াম্না কুপথনা য়েংবা চঙই। মখোয়না মথৌ তৌখিদবদগী ষ্টেট অমগী চীফ মিনিষ্টরনা চোপ্পা, ঈকায়বা নংখিবদুগী তেকচাক নমদবা য়ারোই। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি, ইন্দিয়াদা মপাঙ্গল কন্না লৈরিবা মণিপুর পুলিসনা চীফ মিনিষ্টরগী অনিংবা-অপাম্বা মতুং ইন্না উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মফম খরদা চৎপদা লাইন ক্লিয়ার তৌবা ঙমখিদবা হায়বসি ঈকায়নিংঙাইহনি। মখোয়বু মীশিং-নাশিংনবা, মথৌ মশক খঙনবা চপ চাবা থবক খরদি লৌখৎতবা য়ারোই। থৌদোকশিং অদুগা মরী লৈননা মণিপুর লৈঙাক্না এস আই তরুক, এ এস আই অনী অমসুং হেদ কন্সটেবল অনী থবক্তগী সস্পেন্দ তৌনবা থৌরাং তৌরিবসি অরানবনি। চপ চাবা ইনক্কারি অমা তৌনবগীদমক মখোয়দগী হেনবা অৱাংবা থাক্কী পুলিস ওফিসর খরসু সস্পেন্দ তৌফম থোকই।

## *••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••*

### পামদ্রগা নোটাদা নম্বা য়াই

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**মথং** চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কনি হায়না পানরিবা মণিপুরগী ১১ শুবা জেনরেল ইলেক্সন অসিদি য়াম্না নুঙাইগদবা মাল্লি। মরু ওইনা নেসনল পার্টি ওইরিবা বি জে পি অমসুং কোংগ্রেস অনীগী অকনবা লানফম ওইগদৌরিবনি । কেন্দ্র ৬০ মক্তা হায়পর টেন্সন লৈরবা য়াই। চীংদসু তমদসু। হৌজিক ভোটকী মাঙওইননা অমনা অমবু হুন্নবা, ঙাঙনবা, চৈনবা, লাউনবা, ফৈ-ফত্তে হায়নবা হৌরে। ভোট ময়া য়ৌরকপদদি করি থোক্লগনি। চাকচা হৈজানবা, মিটিং-ফাটিং, ফিরাল চিংখৎনরকপনা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা লাকপা য়াই। করিনা হায়ববু অমনসু অমনসু ঐনা ঐনা লৈঙাক পায়দবা য়াদে হায়না অরৈবা শেল, মসল, মনি পৱারনচিংবা পুথোক্লদুনা অঙম্বী থাক্তা হুরান লান্নাদা অহিং নুংথিল তূম্বা চাবা কাউনদুনা কেন্দিদেটশিংগী লোয়নবা-লোয়নবী, নুংশিরবা ৱার্কর ময়াম থোরক্কনি। মুক্নরক্কনি, মিটিং তৌবা য়ানি য়ারোইনচিংবা তৌনরক্কনি। ৱার্কর মশেল নুংশিনদবতা নত্তনা কেন্দিদেটশিংসু নুংশিনরক্লোই। মসিদনি মীচম মীয়াম ককঙাওনগদৌরিবা। অদুবু হৌজিক্কী মীচম মীয়ামশিং য়াম্না শিংনরে। পীনিংবদা পীরগা লোইরে খন্নরে। অদুবু মসি য়ারোইদবা মরম খরসু লৈ মদুদি পৈশা য়াম্না চাউনা পীবা ঙম্বদসু খরমখৈদি চৎখিগনি। কনানসু থিংবা ঙল্লোই। হৌজিক্কী মতমদা পৈশাসু মীরেপ্পা য়েন্দ্রবা, ভোটরশিংনসু পৈশা লৌদ্রবা ভোটতি থাদরবা অপাম্বদা, মসিবু কৌবা য়াই ফ্রি এন্দ ফেয়র ইলেক্সন হায়বদি অচুম্বা ভোট। মসি পাক হেক থোক্কদবা নত্তে। হন্দক্কী ইলেক্সন অসিসু করপসনগী মমি চাউনা তাবা উগনি।

অরোইবদা হায়জনীংবদি, করিগুম্বা ভোটর অমনা মীখল থেংনরিবা কেন্দিদেটশিং অমত্তা পামদ্রে হায়না খল্লবদি নোটাদা নম্বা য়াই। মসিগীদমক্তা ঈ ভি এমদা নোটা হাপ্লিবনি। মসিসু ভোটরশিংগী রাইটনি। পামদে হায়বা তাকপনি। থোইনা চিংননিঙাই লৈতে। ভোটতি মাঙহল্লোইসি। অমনবু কারবসু অমনবু কারবসু।

*অদোমগী - থোকচোম থম্বালঅঙৌ সিংহ*
*খাঙবোক ময়ায় লৈকায়*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৮

১। পীরিবা অরিবা মৈতৈলোনগী ৱাহৈশিংসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু ঃ-
(ক) পায়োৎ (খ) পাহাংনোংজা

২। ‘‘ইরকই খুঙ্গংগী চিঠি/কনা হন্না য়েংবীদ্রবা তোর্ব্বানশিংদা/উপালশিংনা ঙাইদুনা লৈ উচেকশিং।’’ কবি কনানা হায়বনো?

৩। ‘কংলবা চেংহী ময়াল’ ৱারীমচাগী লাইরিকসিগী অইবীদু কনানো?

৪। ‘মাধবী’ বু বেঙ্গলীদা হন্দোকখিবী নুপী অইবীদু কনানো?

৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো?



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ২৮, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

# চীফ মিনিষ্টরদা নোংমৈ

**চাইথোরকপা ৱাখল**

**নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

***তাবদা*** তুজুংবা, শুংতৌ তৌরোইদবা থৌওং অমা ওইনা হন্দক মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা লুচিংবা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙম, ইন্দষ্ট্রি অমদি কম্মর্স মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম, হেলথ মিনিষ্টর কোরুংথাং, আই এফ সি দি মিনিষ্টর আই হেমোচন্দ্র, দেপ্যুটি স্পিকর প্রেসো সিমরে, পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ভিক্টর কৈসিংনা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইরিবা উখ্রুলদা বি দি ও, এস দি ও ওফিস/হোস্পিটাল/পৱর সব ষ্টেসন/বেঙ্ক চাওখৎ থৌরাংগা মরী লৈননা শঙ্গাবা চৎপদা মীওই খরনা নোংমৈ কাপশিনবা, গাড়ী অনী মৈ থাদোকখিবা, লম্বীদা মীয়াম থোক্তুনা পব্লিক কার্ফিয়ু কৌশিনবা, গাড়ী মৈ থাবা, কয়া তৌদুনা মওং মরীন তাদবা কয়া তৌরকপা অসিমক্তি শাথিনা লাইবক থিবা থৌদোক অমনি। মদুগী মাঙওইননা লেথোদ বোম অনী পোকখায়হনবা অসি খম থেংনা য়ানিংদবা ফোঙদোকচনীংই।

থৌরম অসিগী মাঙওইননা তাঙ্খুল নগালোং কৌবা তাঙ্খুল বোদি অমনা সি এমনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতা চঙলকপা থিংবগী ৱাফম ফোঙদোকখিবা লৈখি। মখোয়না হায়রিবনা শঙ্গাদৌরিবা বিল্ডিং অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং মপূং ফানা শেমগৎ শাগৎপা লোইদ্রি অদুনা শঙ্গাবা য়ারোই হায়বা অসিনি। তৌবগীদি অয়াম্বা শরুক শেম শাবা লোইরবনিনা অনৌবা ইলেক্সনগী কোদ ওফ কন্দক্ট লাক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা শঙ্গানবা থৌরাং তৌরকপনি। করিগুম্বা অৱাৎপা খরা লৈরবসু লেপ্তুনা শেমগৎ শাগৎপগী থবক চঙ্খগনি হায়বা ৱাফম গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী নাখৈ শেংনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। অদু ওইবা তারবদি চীংগী দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইরিবা উখ্রুলদা চাওখৎ থৌরাংগা মরী লৈননা শেমগৎলক্লিবা কয়া অসি তরাম্না ওকফম থোকই। মসিগী ওন্না তৈনবদা মণিপুরমক্কী চীফ মিনিষ্টরগী খোঙচৎতা শাথিবা ঈ-নাই তাবা থৌওং খরা চঙ্খরকপা অসিদি তশেংনা অচুম্বা থৌরাং ওইরোই হায়বসি মায়কৈ কয়াদগী হায়নরক্লি। নোংমৈ কাপ্লিবা মীশকশিং অদু কনানো? মীচম মীয়াম্না অদুগুম্বা মপাঙ্গল লৈবা নোংমৈ অমদি লেথোদ বোম পায়দুনা হেক্তা কাপ্পা হায়বসি উখ্রুল মীয়াম পূম্নমকশিং অসি লেথোদ বোম অমদি নোংমৈ মরাং কায়না পায়রব্রা? নৎত্রগা কনাগী খূৎ য়াওদুনা মখোয়দা অসিগুম্বা অসি তৌহন্নবা ইনশিনবা য়াওব্রা? নৎত্রগা কাঙলুপ খরনা মীয়াম মরক্তা লুপ্পগা অসিগুম্বা থবক অসি তৌরকপরা হায়বা ৱাফম অসি হংনরক্লি। অদু ওইরবদি মখোয় অদু কনানো? ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা ৱারী শান্নরিবা লালহৌবা লূপ অমগী মমিং পন্নরক্লিবা অসিনা অচুম্বা ওইরবদি মখোয়না পাল্লিবসি করিনো? মতাং অসি য়ৌরবদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা করিগী তুমিন্না লৈরিবনো? হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা এদিটরশিংগী মীফম অমদা ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টর রাজনাথনা ফোঙদোকখিবা নগাগী শান্তিগী ৱারী অসি লোইরে হায়না পাউখুম পীখিবা অসিনা হান্নদগী হৌনা চরাংনদুনা লৈরক্লিবা ৱাফম অমগী মচিন কাঙলকপগুম থোক্লব্রা হায়বসি মায়কৈ কয়াদগী থম্নরক্লি। ষ্টেট অমগী চীফ মিনিষ্টর মক্তদা অসিগুম্বা লিচৎ অমা চঙ্খরকপা হায়বসি য়াম্না চুমদবা অমনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা নেসনল মিদিয়ানা তুমিন্না লৈশিনবা অসিমসু ৱাহং হংনীংঙাই ওই। তৌবগীবুদি মমাঙদগী হৌনা মণিপুরদা থোকপা থৌদোক ৱাথোকশিং অমত্তা নেসনল মিদিয়ানা মপূং ফানা মীয়ামদা পাউ মরিক চুম্না পীদনা লাকই। হন্দক মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর মক্তদা লাইফ এটেক তৌরকপদা নেসনল মিদিয়ানা ৱাহৈ পরেং অমদগী হেন্না ফোঙদোক্লরক্তবা হায়বসি তশেংনা নুংঙাইতে। অতোপ্পা ষ্টেট অমগী পোলিটিসিয়ন অমনা পার্টি অমদগী তোকপা মতমদদি নুমিৎ নীনি হুমনি চুপ্পা অচৌবা পাউ অমা ওইদুনা দিস্কসন পরিং নাইনা চথৈ। মণিপুরগী অসিগুম্বা কিনীংঙাই মশক ওইরবা থৌদোক অসিদদি নেসনল মিদিয়া পূম্নমক মচিন মেন্দুনা লৈখ্রে।

হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা মিনিষ্টর অনী লাক্তুনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কাঙপোকপী ফাওবা চঙশিল্লক্তুনা নাগা য়ুনিটিগী পিল্লর অমা য়ুংলম্বা অমদি মণিপুর কায়বা য়াবা ৱাফম কয়া মরাং কায়না মথৌ পোংনা লাউরম্বা মতমদদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট তুমিন লৈ। ষ্টেট অমগী মনুংদা ৱাকাই ঙাঙবা কাঙবু য়োকখৎতুনা থল্লি। নুমিৎ অদুদা নাগা তাবা মফম কয়াদগী লাকপা মীওই কয়ানা নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টরবু ফিঙাং-ফিরাংজি (রেদ কার্পেট) থাদুনা খুবাক খুদুনা ওকখি। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদনা নোংমৈ কাপশিল্লি। মসি করি মরমগীনো, করি অপাম্বনো? পাপ চেনবা কয়াগী ৱা নুমিৎ খুদিংগী হায়দুনা পাপ তৌরোইদবনি, অফবা অচুম্বা তৌগদবনি হায়না পাউজেল পীরিবা কাঙবুশিংনা চীফ মিনিষ্টর হাৎকনি হায়না থৌরাং তৌরকপা অসি তরাইনা লৌফম থোক্তে।

চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবী সিংহ, মথৌনা লৈবা, চীংগী মীয়াম্বু তশেংনা নুংশিবা অমদি চীংগী মফম কয়াদা চাওখৎ থৌরাং কয়া লেপ্তুনা পায়খৎলিবা চীফ মিনিষ্টর অমনি হায়না লৌই। মহাক চঙবা য়ারোই হায়না টি এন এলনা বোয়কোট তৌরবফাওবদা অকিবা লৈতনা চৎতুনা মীয়ামদা পায়খৎলিবা থৌরাং কয়া অদু খূৎশিন্নগনি হায়না চৎপা হায়বসি মহাক্না চীংবু নুংশিবগী অশেংবা মশক অদু উৎথোকপনি। তাঞ্জা মেঞ্জা য়েংনা মীয়াম্নসু সি এমবু তরাম্না ওকফম থোকপনি। ষ্টেট অমগী চীফ মিনিষ্টর হায়বসি ষ্টেট অদুগী মপি মপানি। উখ্রুলদা লৈঙাকপগী মমি তাদবা মানবা অমা হৌখিবা চহী খরদগী উবা ফংলি। মমাঙদা মণিপুর পুলিস কম্মান্দো থম্বা য়ারোই হায়না ঈরাং হৌরকপদগী খুদোং চাদবা কয়া থোকখিবা লৈখ্রে। মমৈদা কম্মান্দো কয়া মফি য়োমদুনা হল্লকখিবগী ৱাফম লৈখ্রবনি। হন্দক থোক্লিবা ৱাথোক অসিনা অমুক্কা হেন্না লৈঙাক্কী মমি তাদবা মানবা অমরোমদা লাক্লিবা অসিমদি য়াম্না চেকশিন্না য়েংশিনবা ফৈ। সি এমগী খোঙচৎ অদু সেক্যুরিটিগী অহোবা লৈখিবরা? উখ্রুল মক্তদা সেক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতবরা হায়বসি নৈনফমদি থোকই। সেক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং শোয়দনা লৌখৎলমগনি, অদুনবু করিসু চিংনবা লৈতনা য়ামখ্রবা মিনিষ্টরশিংগা লোয়ননা উখ্রুল মায়কৈ পাংখিবনি। অদুবু লাইবক থিবদি উখ্রুল মক্তদা সেক্যুরিটিনা করিসু তৌবা ঙমদনা মখূৎ পুন্দুনা লৈখিবা অসিমদি অহোবা লৈতে হায়বা য়ারোই। থোইদোক্না সেক্যুরিটিনা খুরক হাংদবা মফমদা সি এম নৎত্রগা অতৈ মিনিষ্টরশিংনা চৎপদা য়াম্না চেকশিনবা সেক্যুরিটিগী থৌরাং লৌখৎপা ঐখোয়না উবা ফংই। সি এমগীদি য়ামদ্রবদা গাড়ী ২০ গী মথক্তা চৎলিবনি। অদুগীসু মথক্তা মহাক্না লাক্কদবা লম্বী খুদিংমক্তা অরৈবা থানা ময়ামনা শৌগ্রি য়ুংবগুম য়ুংলগা চৎলিবনি। উখ্রুলদদি মদুগী অকনবা থৌরাং লৌখিদ্রা হায়বা ৱাহং থোরকই।

অমবু ওইরে অমবু ওইরে, হন্দক্কী থৌওং অসিনা য়াম্না নাখৈ শেংনা ৱাফম খরগী পাউজেল পীবা মানবা অমদি থেংনরে। মসি মণিপুর লৈঙাক্না অমদি মীয়াম্না চেকশিনগদবা অমা ওই। অসিগুম্বা ফীভম অমগী খোঙফম অমা হান্ননা শেমগৎখ্রে হায়বসি ইখঙ খঙনবা ৱাফমনি। মসি সি এম মশামক্নসু হেন্না খঙলিবনি। অদুগুম্বা মফম অদুদা চৎতুনা চীংগী মীয়ামগা হকথেংননা থেংনদুনা শেগা মাইগা পাউমেন্নগনি হায়না অমকপা অমত্তা য়াওদনা খোঙশাল্লুবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরগী ৱাখল্লোন অসিমদি থাগৎনীঙাই ওই।

# নোবেল প্রাইজ ২০১৬ ঃ ফিজিওলোজি নৎত্রগা মেদিসিন ওটোফাজিগী মেকানিজম পুথোকপগীদমক




মীওইবগী সেলদা লাইসোসোম অমদি ওতোফাগোসোমনা পুল্লগা মথৌ তৌদ্রবা ওর্গানিন অমদি প্রোতিনশিংবু মাংহনবগী মওং

য়িষ্ট সেলনা চরা হেনবদা ওতোফাগোসোম শেম্লকপা (ওয়) অমদি ওতোফাজিগী প্রোসেসতা দরকান ওইবা জীনশিং (য়েৎ)

ষ্ট্রেস লাকপা মতমদা ওতোফাজিগী জীনশিংনা ওতোফাগোসোম শেম্লকপগী মওং তাকপা

**সাইন্সকী খোঙচৎ**

**কুঞ্জো নাওরেম**

‘‘**অঙাং** ওইরিঙৈদা নোবেল প্রাইজগী মঙ মঙজখি অদুবু ঐনা থিজিনবগী থবক তৌখ্রবা তুংদদি, মসিগী খৌরাংবা লৈখিদ্রে। অতোপ্পা মীওই কয়াগা চাংয়েংননীংলকখিদ্রে, মদুগী মহুত্তা কনাগুম্বা অমনা তৌখিদ্রিবা থবক অমা তৌবদা হেন্না নুংঙাইবা পোল্লকখি। অসুম্না খল্লগদি, মসিমকনি সাইন্সকী মচৎসু অদুগা করিগুম্বা অনৌবা অমা খঙলকপগী নুংঙাইবদুনা ঐবু থৌনা হাপ্পী’’।

শিংথানিঙাই ওইরবা ৱাহৈশিংসি হন্দক চহীগী ফিজিওলোজি নৎত্রগা মেদিসিনগী নোবেল মনা ফংলবা য়োশিনোরি ওসুমিনা ‘দি গার্জিয়ন’না লৌখিবা ইন্টরর্ভিয়ু অমদা ফোঙদোকখিবনি। কুমজা ১৯৪৫ দা ওসুমি জপানগী ক্যুসু ঈথৎকী অৱাংদা লৈবা ফুকুওকাদা পোকখি। মহাক অহানবদা কেমিষ্ট্রিগী মহৈরোয় ওইনা হৌরকখি অদুবু থবক ইনখাংগী খুদোংচাবা থিরকপদগী বাইওলোজিরোমদা মায় ওনশিল্লকখিবনি। মহাক্না টোকিও য়ুনিভর্সিটিদা তম্লক্তুনা কুমজা ১৯৭৪ দা পি ঐচ দি দিগ্রী ফংখি। মহাক্কী থেসিসতু কয়া পাম্নদবা ওইবনা মহাক থবক ফংখিদে। অদুবু মহাক্কী এদভাইজরগী পাউতাক তুংইন্না ন্যু য়োর্ককী রোকেফেলর য়ুনিভর্সিটিদা পোষ্টদোক্তরেল ফেলো ওইনা লৈখি। য়ুনিভর্সিটিসিদা মহাক্না ষ্টেট ট্যুবতা পা মরূগা পি মরূগা ফর্টিলাইজ তৌহনবগী মরমদা নৈনখি। মফমসিদা চহী অহুম লৈরম্লবা তুংদা য়ুনিভর্সিটি ওফ টোকিওদা জুনিয়র প্রোফেসর ওইনা হল্লকখি। কুমজা ১৯৮৮ দা মশাগী রিছার্স লেবোরেটরি লিংখৎতুনা ওটোফাজিগী মরমদা নৈনবা হৌরকখি। অসুম্না নৈনরকপদগী মহাক্না ওটোফাজিগী মেকানিজম পুথোকপা ঙমখিবগীদমক চহীসিগী ফিজিওলোজি নৎত্রগা মেদিসিনগী নোবেল মনাসি লাম্থোক্কদৌরিবনি।

ওটোফাজি হায়বসি অহিংবা সেল অমগী মনুংদা য়াওরিবা ওর্গানিনশিংগী মরক্তা মথৌ তৌরক্ত্রবা নৎত্রগা অশোয়বা য়াওরকপদা মদুবু মাঙহনখিবা নৎত্রগা থুগাইদুনা কান্নবা মচলদা অমুক ওন্থোকপদুবু খঙনৈ। ৱাহৈসি কুমজা ১৯৬৩ দা কৈথ পোর্টর অমসুং মহাক্কী মহৈরোয় টোমাস এসফোর্টনা ইহান হান্না থেংনখিবনি। অদুবু মসিগী মেকানিজমগী মতাংদদি চপ চাবা অমা খঙবা ঙমদনা লাকখি। য়োশিনোরি ওসুমিনা মাগী লেবতা য়িষ্ট সেলগী ভেক্যুলদা প্রোতিনবু করম্না মাঙহনখিবগে হায়বগী মরমদা নৈনবা হৌরকখি। য়িষ্ট সেলগী ভেক্যুলসি মীওইবগী সেলশিংদা য়াওবা লাইসোসোমনা তৌবা মথৌগা মান্নে। য়িষ্ট সেলশিংসিগী মরমদা নৈনবা হায়বসি লায়না থোকই। অদুবু মীওইবগী সেলশিংগী মরমদা নৈনবগীদমক য়িষ্ট সেলশিংবু মোদেল অমা ওইনা হেক হেক শীজিন্নে। কমপ্লেক্স ওইবা সেলুলর পাথৱেশিংদা থৌদাং লৌরিবা জীনশিংবু মশক খঙদোক্নবা হোৎনবদা য়িষ্ট সেলশিংসি য়াম্না কান্নে। অদুবু য়িষ্ট সেলশিংসি য়াম্না পীকপনা মাইক্রোস্কোপ অমনা মাগী ওর্গানিনশিংবু খঙদোকপদা অৱাবা হেক হেক মায়োক্নৈ। ওসুমিনসু ওটোফাজিসি য়িষ্টতা থোক্লমগদ্রা থোক্লমলোইদ্রা হায়বগী চিংনবা পোকখি। অদুবু মহাক্না খনখি মদুদি ভেক্যুলদা ওটোফাজি থোক্লিঙৈ মনুংদা প্রোটিন মাঙহনবগী থবকসিদা অয়েৎপা পীদুনা লেপহনবা ঙল্লবদি ওটোফাগোসোমশিংনা ভেক্যুলদা লৈহৌগনি। মখোয়সিদি মাইক্রোস্কোপ্না শোয়দনা উবা ঙমগনি। অদুনা ওসুমিনা ম্যুটেসনগী পাম্বৈনা প্রোটিন থুগাইবা ঙম্বা এঞ্জাইমশিং য়াওদবা য়িষ্ট সেলশিংদা অহানবা চাংয়েং পাঙথোকখি। অসিগুম্বা সেলশিংবু অতম্নরা চরা হেলহন্দুনা য়োকখি। পুং খরগী মতুংদা ভেক্যুলশিংদা ওটোফাগোসোমশিং য়াওরকপা শেম্লকপা থেংনরম্মী। অসুম্না ওসুমিনা য়িষ্ট সেলশিংদা ওটোফাজি থোকই হায়বসি উৎপা ঙমখি। হেন্না মরু ওইরিবনা, ওটোফাজি থোকহনবদা থৌদাং লৌরিবা জীনশিংবু মশক খঙদোকপগী অনৌবা কাঙলোন অমা পুথোরকপসিনি। মসিগী থিজিন চেরোলদু ওসুমিনা কুমজা ১৯৯২ দা ফোঙদোরকখি।

য়িষ্ট সেলশিংবু চরা হেলহনবা মতমদা ওটোফাজি থোক্লিবসি জীনশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌবগী ওইগনি হায়বসিদা ওসুমিনা অচেৎপা থাজবা থল্লকখি। মসিগী চাংয়েংগীদমক মহাক্না য়িষ্ট সেলশিংবু কেমিকেল অমদা থাদদুনা থমখি। মহাক্না খল্লম্বা অদুগা মান্নবা মওংদা জিনশিংগী থৌদাংদু খঙবা ঙমখি। অসুম্না মহাক্না ওটোফাজি থোকপদা মথৌ তাবা সেলশিংদু পুথোকপা ঙমখি। অসিগুম্বা জিনশিংনা ইনকোদ তৌরবা প্রোটিন অমদি প্রোটিন কমপ্লেক্সশিংনা ওটোফাজিবু কন্ট্রোল তৌই। মখোয়না মতাং মতম চানা ওটোফাজিগী থবকসি মপূং ফানা পাঙথোকহনবা ঙম্মী হায়বসু ওসুমিনা খঙলকখি।

য়িষ্ট সেলশিংদা ওটোফাজিগী প্রোসেস চঙ্খবগী মতাংদা খঙলবা তুংসিদা ৱাহং অমদি লাকখি। অতৈ অতোপ্পা জিবশিংদা মসিগা মান্নবা প্রোসেসসি চঙ্খব্রা? মীওইবগী সেলশিংদসু মসিগা মান্নবা থৌওংসি থোকপ্রা? অদুবু থিজিনখিবা অদুদগী খঙবা ঙমখি মদুদি ওটোফাজিগী থৌওংসি মীওইবগী সেলশিংদসু থোকপা ঙম্মী। ঙসিদি মদুগী মহয় ওইনা থিজিল্লোয়শিংনা মীওইবগী সেলশিংগী মনুংদা লৈরিবা ওর্গানিনশিংদা অশোয়-অঙাম য়াওরকপা নৎত্রগা মথৌ তৌরক্ত্রবা মতমদা মতৌ করম্না লাইসোসোম্না মদুবু থুগাইদুনা অনৌবা ওর্গানিন অমুক শেম্লকপগী মরমদা খঙনরে। ওটোফাজিসিনা ওর্গানিনশিংবু রিসাইকল তৌবদা নত্তনা এনর্জিসু পী। অদুনা প্রোসেস অসিনা সেলশিংনা মচিঞ্জাক ফংলক্তবা মতম নৎত্রগা ষ্ট্রেস লাকপদা য়াম্না কান্নবা পী। করিগুম্বা মতমদা মহীকশিংনা চঙলক্লবসু, চঙলক্লিবা বেক্টিরিয়া নৎত্রগা ভাইরসতুবু ওটোফাজিনা লাম্থেংনৈ অদুগা হকচাংবু নাদ-য়েক্তনবা হোৎনৈ। ওটোফাজিনা পা মরূগা পি মরূগা তিন্নদুনা শেম্লকপা ইম্ব্রাওইশিংগী তেক্তা কায়দনবা হোৎনবদসু অচৌবা থৌদাং লৌই। ওটোফাজিগী মতেংনা সেলশিংনা অহল ওইশিল্লক্তনবা হোৎনৈ। অদুনা অহল ওইশিল্লকপগী ফীভমসি ওটোফাজিগী থৌওংসি লৈরমদ্রগদি য়াম্না থুনা থোক্তুনা মীপুম খুদিংমক অহল ওইশিল্লকপগী চাং হেল্লমগনি হায়না অখঙ অহৈশিংনা মত পীরি। ওটোফাজিগী প্রোসেসসিদা অকায়বা লাক্লবদি পারকিন্সনস’ দিজিজ, টাইপ টু দাইবেটিস অমদি অতৈ অহল ওইশিল্লকপগা মরী লৈনবা লায়নাশিং পোক্লকপা য়াই। ওটোফাজি থোকহল্লিবা জিনশিংদা ম্যুটেসন থোক্লবদি জিনেটিক দিজিজশিং ওইরকপা য়াই। কেন্সর মখল খরদি ওটোফাজিগী মেকানিজমদা শোয়রকপদগীনি হায়রি। অদুনা হৌজিক থিজিল্লোয় কয়ানা ওটোফাজিগী প্রোসেসতা মতেং পাঙদুনা লায়না কয়াদগী ঙাকথোক্লবা হীদাক-লাংথকশিং শুংনবা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। মসিগী মতাংদা য়াম্না থুনা অনৌবা লায়েং পথাপ অমা লাকপা য়ারে। মসিগী খুদোংচাবসি য়োশিনোরি ওসুমিনা ওইথোকহনবা ঙম্লবনি হায়বসিদা চহীসিগী ফিজিওলোজি নৎত্রগা মেদিসিনগী নোবেল মনাসি পীরিবনি।